# মণিপুরনা গোল্ড ১০ ফংদুনা মাঙজিল থারি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
নোর্থ ত্রিপুরাগী ধর্ম্মনগরদা লৈবা স্বামী ভিবেকানন্দ সর্ধা সত্যাবর্সিকি ভাবনদা পাঙথোকপা ৮শুবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ ২০১৯দা মণিপুরগী হুয়েন লাংলোন থাঙ-তা এসোসিয়েসননা গোল্ড ১০ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

ঙসি হৌদোকখিবা থাঙ-তা ফেদরেসন কপ অদুদা পুন্না তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট ২০দগী লাকপা থাঙ-তা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি। মণিপুরদগী ওফিসল ৬ য়াওনা পুন্না শান্নরোয় ৯৮না খ্বাইদগী য়াম্বা কন্টিনজেন্ট ওইরি। য়ুম্বু ওইরিবা ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিয়েসননা ওফিসল ২০ য়াওনা কন্টিনজেন্ট অদুদা মীওই ৯২না শরুক য়ারি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ৱার্ল্ড থাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা চীফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিয়েসনগী এদভাইজর ও দেবেন সিঙ্গানা প্রসিদেন্ট ওইখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল্ড ফংখিবশিং অদুদি ঐচ য়াইফবী চনু, মেঘনা ৱাংখৈময়ুম, জিওতি সুনর, টি রোসিতা, কে ঐচ চিংলেম্বী, এন য়াইসনা চনু, ঐচ রিওনেল, এম মেক্স, ঐচ য়াংবা অমসুং এন রাজে সনি। মণিপুরগী মায়কৈদগী সিলভর মেদল ফংখিবা অদুনা টি ঐচ সুপ্রিয়া চনুনি। ফেদরেসন কপ অসি থা অসিগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

# দিষ্ট্রিক্টকী ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল হৌরগনি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসর টি চিত্তরঞ্জননা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চান্দেল অমসুং টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নুপামচাগীনা চহী ১৪ মখা অমসুং ১৭ মখাগী কাংলুপশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবনি। অদুগা নুপীমচাগীনা চহী ১৭ মখাগী ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

টেংনৌপাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা টুর্নামন্টে অসিগী জনু ২১দগীনা ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অদুগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জুন ২৫দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

শরুক য়ানিংবা চান্দেল অমসুং টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী স্কুলশিংনা ফোর্ম অমসুং ইলিজিব্লিটি সার্টিফিকেট জুন ১৯ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি হায়রি। অদুগা মেদিকেল এজ ভেরিফিকেসন অদু চান্দেলগী ইন্দোর ষ্টেদিম হোলদা জুন ২০গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# নেসনল লেভেল কোচ অমসুং ট্রেনিং ৱার্ক্সোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
অসামগী সিবসাগরদা লৈবা জহির দান্স একাদেমিদা অহানবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া নেসনল লেভেল কোচ এন্দ ট্রেনিং ৱার্ক্সোপ ফোর স্পোর্টস এরোবিক্স, স্পোর্টস ফিটনেস অমসুং হিপহোপকী মতাংদা দিভলপমেন্ট পুরক্নবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না নেসনল লেভেল কোচ অমসুং ট্রেনিং ৱার্ক্সোপ লোইশিনখ্রে।

ৱার্ক্সোপ অদু ইন্দিয়ন স্পোর্টস এরোবিক্স এন্দ ফিটনেস ফেদরেসন (আই এস এ এফ এফ)কী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি। ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ইন্টর্নেসনল কোচ সন্তোই খাইনরনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ইনষ্ট্রক্টর ওইখি।

স্পোর্টস এরোবিক্স এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. হুইদ্রোম রোমেন, ফেদরেসনগী সেক্রেটরী থিংঙোম রোসন, চীফ টেক্নিকেল দাইরেক্টর থোকচোম নোরেন্দ্রো অমসুং ট্রেজরর লাইশ্রম সিংহজিৎনা ৱার্ক্সোপ অদুদা শরুক য়াখি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী ইনষ্ট্রক্টর ১২ শান্নরোয় ৪০না ৱার্ক্সোপ অদুদা শরুক য়াখি।

# থৌবাল অমসুং ককচিং রিগুলর কোচিং হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস থৌবালনা ককচিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুমক্কী চহী নৌরিবা শান্নরোয় শেমগৎপগী পান্দমদা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল রিগুলর কোচিং ক্লাস ৱাংজিংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিপ্যুতি দিরেক্টর লুনখোইসি হাওকিপনা হৌদোকখ্রে।

পুন্না দিসিপ্লিন ৭- এথলেটিক্স, আর্চরি, হেন্দবোল, কবাদি, টেবল টেনিস অমসুং ৱুসুদা শান্নরোয় ১১৬না রিগুলর কোচিং ক্লাস (আর সি সি) অসি চথুগদৌরিবনি। আর সি সিগী নোদেল ওফিসর টি থৌবা, দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টর্স থৌবালগী আই পুর্ণিমাসি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টস তমেংলোংগী ওফিসর পি নৈকেলুংসু শরুক য়াখি। চহী অমদা থা ৬/৬কী ওইবা তাঙ্কক অনী থোক্না রিগুলর কোচিং ক্লাস অসি চথুগদৌরিবনি।

# যোগ টিম ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
ইন্টর্নেসনল যোগ দেগা মরী লৈননা ন্যু দিল্লিগী এন সি আর টিগী কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদবা নেসনল যোগ ওলিম্পিয়াদ ২০১৯দা শরুক য়ারুনবা দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকসন (এস) মণিপুরনা মাংজৌননা সেলেক্সন তৌখ্রবা যোগ কন্টিনজেন্ট হয়েং লম্ফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্টোরেট অসিগী ওফিসতগী অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা লমথারগনি হায়রি।

নুপা মচা অমসুং নুপী মচা ৮/৮ অমদি ওফিসল ৪গা লোয়ননা মণিপুরগী টিম শেল্লীবনি। এম মোধুসুননা টিম মেনেজর লোয়ননা এস গিরিমোহন, বি সুরজমুখি অমসুং এল সুসিলানা টিম অদুগী কোচ ওইগদৌরি।

# মুয়ে থাইগী ট্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচএনএস)ঃ
মথং থাগী ১২দগী ১৫ ফাওবা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০শুবা এম টি আই জুনিয়র অমসুং সব জুনিয়র নেসনল এমেচর মুয়ে থাই চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৬তা পাঙথোক্লগনি হায়না দি মণিপুর এমেচর মুয়ে থাই এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরী এম দি রাফিনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ট্রাইয়েল কম সেলেক্সন অসি এসোসিয়েসন অসিগী হট্রা মখা লৈকাইদা লৈবা হেদ ক্বার্টরদা অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা পাঙথোক্কনি হায়রি। এসোসিয়েসন অসিদা এফিলিয়েট তৌরবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসনশিংনা মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদু য়ৌহল্লক্নবা খঙহল্লি।



HL-B/5368/3/5-30/6

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।০৬।২০১৯ ইং, ইরাই, ইঙাগী ১২ নি পানবা।

মেষ : ৱাখল নুংঙাইবা, নীংবা থুংজবা, মরুপ-মপাংনা চানবীবা অমদি অফবা মীংচৎ ফংজবা নুমিৎনি। থেংলপ্পা অয়েৎপা খরদি চেনগনি-খাংবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা শোইদনা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : নীংবা থুংগনি, নঙগী ওইবা মীনা চানগনি অমদি বুদ্ধি লৌশিং লৈনা থৌপাংবা ঙমগনি। শেল-থুমগী থবক মাই পাক্কনি। হুরানবনা তাথি, অঙম্বনা য়ানবা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : মরম চাদনা হোয়া ফবা তৌগনু অমদি মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌগনু-মদুনা মাঙজবতা ওইগনি। পূক্লিং ফাথদ্রবদি চাদিং হেনবা শোইরোই। নাপল থাদোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী - মীগী পূক্লিং খঙনবা হোৎনৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

কর্কট : নথক থোংবগী মতেংনা নুংঙাইবা ফংগনি, ৱাখল তামিন্নবা ঙমগনি। লৈঙাক্কী থবক্তা মাই পাক্কনি অমদি য়েক্লববু নমথবা ঙমগনি। হেন্না অশাদি চাউগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা কান্নবা পীবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : য়েক্লবনা অয়েৎপা খরা পীরসু অমদি ইমুংদা খরা য়েৎনরসু নীংবা থুংগনি, শেল ফংগনি, অফবা মীংচৎনচিংবা শোইদনা ফংগনি। লাই-গুরুনা চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক থোইনা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্যা : অয়েৎপা খরা চেনগনি, পুক্লিং ৱাবা, লৌশিং ৱাৎপা খরা লৈগনি। মহু চাউবনা থবক্তা অপনবা পীবা য়াবা লৈ। থেংলপ্পা মীয়ামগী মতেং ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : হরাওবা-নুংঙাইবা, লাইবক ফবা অমদি হকচাং খিংবা অমদি মীয়াম লোইনরগা পেঞ্জবা লৈগনি। য়েক্লবনা নথক থোংবদা লান্না পাউ-তমশনবীবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

বৃশ্চিক : মীংচৎ ফংই, ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না য়াগনি, ইমুং-মনুং ৱা তান্নবা কান্নগনি অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুমগী থবক্তা কান্নগনি। মীকোক্তি থোংবা ৱাই।
লৈশা পাখংশিংগী - ফিংবনা মাঙহল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু : শেল-থুমগী থবক্তা মাই শোইদনা পাক্কনি, অকিবা কোক্কনি, অনৌবা থবক্তগী ওইজবা ফংগনি। ৱা য়াম্না ঙাঙবা অমদি অহৈ অশিং শাবদি ইকায়বা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা খরা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর : লম্ অয়াম্বদা নীংবা থুংগনি। পাউ নুংঙাইবা তাবা, মীচং লৈবা, নচা-ননাইগী লম্দা পেঞ্জবা, মীয়াম্না চানবা, লৌশিং চাউবনা কান্নবা হেন্না ফংগদবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা।

কুম্ভ : মরুপ-মপাং, নথক থোংবা অমদি মীয়াম্না চানগনি। মীরক্তা চঙলগা হেন্না নুংঙাইবা ফংগনি। ফিংলদি খৎননি, হেন্না অশা চাউরগা নথক থোংবগা মুক্লগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিন : মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবা য়াবা, ইমুং-মনুংগী ৱা তাবনা চাউনা কান্নবা ফংবা লৈগনি। অদুবু অশাওবনা মাঙওইনরদি অঙম্বনা তাথিগনি। থেংলপ্পা কান্নবা ফংজৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী য়াম্না ফৈ। হায়জবদি তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



HL-B/5474/13-22



HL-B/5398/20,21,22,23,25-12july (alt)

RaDiant Group
Let Us Grow Together

Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01

## Manpower Requirements

Date of Interview 14th June 2019

Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume by Walk-in between 10:00 am -4:00 pm
or SMS / Whatsapp us at +91-9774132616 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| Corporate | Manager | 1-2 Yrs. | 1 | Graduate preferably MBA | Negotiable |
| Corporate | Internal Auditor | 2-3 Yrs. | 1 | B.Com. | Negotiable |
| Corporate | Assistant Internal Auditor | 0-1 Yr. | 1 | B.Com | 6,000-8,000 |
| Corporate | Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 6,000-8,000 |
| Corporate | Cashier | 0-1 Yr. | | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Assistant Accountant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate preferably B.Com. | 5,000-7,000 |
| Corporate | Office Assistant | 0-1 Yr. | 1 | Graduate | 5,000-7,000 |
| Corporate | Software Developer | 0-2 Yrs. | 1 | Computer Sc./IT Graduates | Negotiable |
| | | | | | |
| Marketing and Sales | Content Writer | 0-2 Yrs. | 1 | Graduate and above (English) | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Associate | 0-3 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Marketing Executive | 0-2 Yrs. | 1 | MBA in Marketing | Negotiable |
| Marketing and Sales | Digital Marketing | 0-2 Yrs. | 1 | MBA / IT Graduates | Negotiable |
| Marketing and Sales | Business Analyst | 0-2 Yrs. | 1 | MBA | Negotiable |
| | | | | | |
| Fitness | Trainer (Female) | 0-1 Yr. | 2 | N/A | Negotiable |

Sd/- HR Generalist
RaDiant Group

HL-B/5441/10-14

HL-B/5383/12,13,14,16






HL-B/5359/28/4-26/6

## LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | VAC | SALARY | AGE | BRANCH |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Assistant Legal Advisor | LLB/LLM | 2 | Negotiable | 25-35 | H.Q |
| 2. | Office Assistant | 10+2 (Computer Know) | 2+2+2 +2+2 | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | 3 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | 5 | Negotiable | 18-25 | H.Q |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | 3+2 | Negotiable | 18-35 | H.Q |
| 9. | Security/GUNMAN | VIII Passed | 5 | 6,500-15,500 | 18-25 | H.Q |

L.G. MOTORS FINANCE

OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.30PM

CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com